**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-04-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৬-০৪-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল নোলিনি দেবীনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিগা মরী লৈনবা খুদিংমক্কা ৱারি শাদুনা থোক্লিবা ৱাথোক অসি শান্তি ওইনা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইথৌ খোংনাং কাচিনদা থীবা হুম্বগী থবক চখুবদা খুৎশু
খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি অসামগী নলবারি জিলাদা পাঙথোকপা রেল্লি অমদা শরুক য়াগনি ।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**অমিট সাহ(এল)ঃ মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরকপা পুমমক ভারতিয়া জনতা পার্টি অমদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থেংগনি হায়দুনা** বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিগা মরী লৈনবা খুদিংমক্কা ৱারি শাদুনা থোক্লিবা ৱাথোক অসি শান্তি ওইনা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাকা মীয়ামদা থাজবা পীখ্রে।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ঙরাং ইম্ফালগী হাপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা ভারত্য়িা জনতা পার্টিগী মীখলগী মীতিনদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রি শ্রী অমতি সহানা হায়- রাজ্য অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসি বি.জে.পি অমসুং কংগ্রেসকী মীখল নত্তে। মনিপুর থুগাইবা পাম্বশিং অমদি মনিপুর কনবা পাম্বা বি.জে.পি অনিগী মরক্তা পাঙথোক্কদবা মীখলনি।

মমাং চহিদগী মনিপুরদা হৌরকখিবা কাংলুপকী ইরাং অসিগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী সাহনা হায়- ইরাং অসি আইনগী ৱাংমদা মপানদগী চংশিল্লকপা মীতোপশিংনা মনিপুরগী শক্তম থুগাইনবা হায়দুনা হৌরকখিবা ইরাংনি। অদুবু মপানদগী মীতোপশিং চংশিল্লকপা থীংনবা প্রধান মন্তি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি.জে.পিগী সরকার অসিনা ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈগী মনিপ্রগী শরুক্তা বোদর ফেন্সিং খাবগী থবক চংশিল্লি। মসিগা লোয়ননা ভারত অমদি ম্যান্মার অনিগী মরক্তা লৈরম্বা ফ্রি মুভমেন্ত রিজিম লৌথোকখ্রে অমদি ইন্নর লাইন পার্টমিট পিবিনবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা প্রধান মন্ত্রিদা হায়রকপদগী ইন্নর লাইন পর্মিট অসি বি.জে.পি সরকারনা পীরকখিবনি হায়না অমিত সাহনা ফোংদোক্লমখি।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সেসশিংনা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিলহন্ননবা চীং অমসুং তমগী মফমশিংদা থীবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসন মখা তানা চথরি। সেক্যুরিতি ফোর্সেসনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইথৌ খোংনাং কাচিনদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা এল.এম.জি করবাইন্দ অমা, সিঙ্গল বেরেল অমা, ইসার্জ রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেট অহুম অমসুং নোংমৈ মরুশিং ফাগৎখি।

নেসনেল হায়ৱে নম্বর-২ দা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি য়াওনা পুন্না গাড়ি ৩৭৬ অশোই অঙাম য়াওদনা চৎথোক চৎশিন য়াহনখ্রে। গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সেসশিংনা চিংনবা মফমশিংদা অহেনবা সেক্যুরিতি কনভোইশিং থাদোক্তুনা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈরি।

এ.আর(এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা লমা লায়েংবগী কেম্প অমসুং হিদাক লাংথক য়েন্থোকপগী থৌরম অমা উখ্রুল জিলা মপুম খুলদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা অঙাং ১৮ য়াওনা খুঞ্জা ১১৯ চেক অপ তৌখি। মখোয়দা হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা কামজোং জিলাগী কাংপাৎ সেন্তরদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা আইন কায়না পুরম্বা ক্বা মরুশিং ত্রক অহুমদগী ফাগৎখ্রে। চেরোল অমনা হায়- ফগৎলবা ক্বা মরু বোরা ১৯৬ল, কোতি ২ লাখ ২৩ গী ময়া ওইগনি হায়রি। ফাগৎলবা ক্বা মরু অমসুং ত্রক দ্রাইভর কামজোং জিলাগী ফোরেস্ত বিট ওফিসতা মখা তানা থিজিন্নবা শিন্নখ্রে হায়রি।

**বিষ্ণুপুর(এল)ঃ** মীখলগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর জিলাদা থা অসিগী ১৭ কী নুংথিল পুং ৪ দগী মীখল লোইদ্রিবা ফাওবা দ্রাই দে লোউথোক্লে হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর বিষ্ণুপুরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা,মীখল পাঙথোকপদা শিজিন্নগদবা ই.ভি.এম অমসুং ভি.ভি. পেদ লৌথোকবা থা অসিগী ১৮ গী অয়ুক পুং ৬ তা জিলা অসিগী বিধান সভা কেন্দ্র ৬ অমসুং স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসনগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্ট্রোং রুম হাংদোক্কনি হায়নসু দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সননা থোকপা অতোপ্পা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি। স্ট্রোং রুম হাংদোকপা অমদি লোনশিনবা মতমদা মীরেপশিং নত্রগা মখোয়গী ইলেক্সন এজেন্তশিংনা শরুক য়ানবসু খঙহল্লক্লি।

**কংপোকপী(এল)ঃ** লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা পোল্লিং পার্টিশিংগী ওইবা মীফম অমা কাংপোকপী জিলাগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর অমসুং দিপ্যুতি কম্মীস্নর কাংপোকপী মহেশ চৌধুরি য়াওনা মীফম অদু পাঙথোকখি।

**মিজল(এল)ঃ** হৌখিবা থাগী তাং ১৯দা উখ্রুল জিলাদা লাইকুপা নাবগী কেস অমা থেংনরে হায়রি। জিলা অসিদা মখা তানা শন্দোরক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা জিলা অসিদা লৈবা য়ুম য়ুমদা চংদুনা কুপা অঙাংশিং য়েংশিনবা হৌখ্রে। চিংনবা কেসশিংগী সেম্পল গুৱাহাতিদা থাখ্রে । অকাশবানি ইম্ফালদা অখন্ননবা ৱারি শান্নবদা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইম্যুনাইজেসন ওফিসর ডা: পামজা লুইখমনা হায়-লাইকুপ হায়বা লায়না অসি অঙাংশিংদা য়ামা লৌনগনবা লায়না মখল অমনি। করিগুম্বা লাইহৌ য়াওবা অঙাং থেংনরবদি অথুবদা মনাক নকপদা লৈবা দোক্তরশিংগা তান্নবিয়ু।

**--সাউন্দ পামজাই--**

**আইকেম্প(এল)ঃ** ষ্টেট হেলথ সোসাইতি মনিপুরগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি তমেংলোংনা শিন্দুনা থা অসিগী ১২ দগী তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা চথরকখিবা লেমা মীৎ লায়েংবগী কেম্প ঙরাং লোইশিনখে। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৭৫৭ লায়েংখি। মদুগী মনুংদা কেতরেক্ট সরজরি ৩৯

পাঙথোকখি।

**---পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা --**

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**মোদিঃ** বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি অসামগী নলবারি জিলাদা পাঙথোকপা রেল্লি অমদা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রিনা মীয়ামগী মীতিন অমদসু ৱা ঙাংদুনা নেসনেল দিমোক্রেতিক এলাইএন্স (এন.দি.না) পুথোক্লিবা মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু ঙসি মীয়ামগী মীফম অনিদা শরুক য়াগনি। মহাকা বালুরঘাৎ রেলৱে গ্রাউন্দা পাঙথোকপা বিজয় সংকল্প যাত্রাদা ৱাঙাংগনি। শ্রী মোদিনা রাইগঞ্জতা পাঙথোকপা মীফম অমদা ৱাঙাংগনি।

অমরোমদা কংগ্রেস লুচিংবি প্রিয়াঙ্কা গান্ধি অসামগী জোরহাট জিলাদা দল অসিগী মীরেপ গৌরোব গোগোইগী ভোট খোমগদৌরি। ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনরজিসু বারাক ভেল্লিদা ভোট খোমগদৌরি। পনবা য়াবদি লোক সভা কেন্দ্র ১৪ লৈবা অসামদা তাঙ্কক অহুম থোকা মীখল পাঙথোক্কনি।

ই.সিঃ ইলেক্সন কম্মীসননা দি.আই.জি মুরসিদবাদ রেঞ্জ মুকেসপু মীখলগা মরী লৈনদবা ফম অমদা ত্রান্সফর তৌখ্রে। লোয়ননা কম্মীসন অসিনা হাংহৌরিবা দি.আই.জি মুরসিদবাদ রেঞ্জকী মহুৎ শিন্নবা মতিক চাবা ওফিসর অহুম থাগৎলকবা রাজ্য সরকারদা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবি মমতা বেনরজিনিনা ইলেক্সন কম্মীসনগী থৌরাং অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা করিগুম্বা মুরসিদবাদতা পামদবা থৌদোকশিং থোরক্লবদি মহাক মশানা ইলেক্সন কম্মীসনগী ওফিস মমাংদা ৱাখৎ মীফম ফমগনি হায়না ফোংদোকখি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক হৈরাংখোংজম ভাবন লৈরে--**

**--ভবন--**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) রাজ্য অসিদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিগা মরী লৈনবা খুদিংমক্কা ৱারি শাদুনা থোক্লিবা ৱাথোক অসি শান্তি ওইনা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইথৌ খোংনাং কাচিনদা থীবা হুন্নবগী থবক চথবদা খুৎশু
খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি অসামগী নলবারি জিলাদা পাঙথোকপা রেল্লি অমদা শরুক য়াগনি ।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-নোলিনি**

মনিপুরদা ফোংনরিবা পাউচেশিংদা য়ুনিয়না হোম মিনিস্তর অমিত সাহনা মনিপুরদা লাক্লম্বগী পাউ, অমিত সাহনা ফোংদোক্লম্বা ৱাফম কংগ্রেসনা য়ানিংদবা অমসুং লোক সভা মীখলগা মরী লৈনবা অতোপ্পা পাউশিংনা পাউচেশিং অসিগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

মনিপুর কনা অমত্তনা থুগায়বা ঙম্লোই হায়বা অমিত সাহগী ৱাফমনা সনা লৈবাক পাউচেদা বেন্নর হেদলাইনদা ফোংলি। পাউ অসি মনিপুর নিউজ, সঙাই এক্সপ্রেসকী মনিপুর অমসুং ইংলিস ইদিসন, নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস ইচেল এক্সপ্রেসতা , পোকফম,পিপলস ক্রোনিকেল অমসুং মোর্নিং বেলদা অহানবা হেলাইন ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা - য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তর অমিত সাহনা মনিপুরদা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইচেল এক্সপ্রেসতা- অমিত সাহনা বি.জে.পিগী অশোয়বশিং কংগ্রেসতা থংজিল্লম্লগা হনখ্রে হায়বা এম.পি.সি.সিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ত দেবব্রত্তাগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মনিপুর থুগাইবা পাম্বনা কনানো, কনবা পাম্বনা কনানো হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফমনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

অমিত সাহগী মনিপুর খোংচৎ য়ানিংদে হায়না মফম কয়াদা খোংজং চংশিনখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেসকী ইংলিস ইদিসনদা অহানবা লমায়দা ফোংলি। নহারোলগী থৌদাংদা অহানা লমায়দা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা -জিলা অসিদা ইলেক্সন শান্তি লৈনা পাঙথোকবগী কেম্পেই হৌদোকখ্রে হায়বা অমসু কুকি ফুরুপকী লুপ খরনা লোক সভা ইলেক্সন ভোই কোট তৌরগনি হায়বা পাউনা মরু ওইবা পাড ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা - এন.দি.এ কেন্দিদেদকী নোনে জিলাগী লোংমাইদা ফীরাল চিংখৎপগী পাউনা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা - মনিপুরগী লাঞ্জেন্নরিবা মীওই লিশিং ১৮ ভোট থাদবা ফংহনবিয়ু হায়বা ৱাকৎ সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে হা
য়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মনিপুর নিউজতসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**--নোলিনি--**